হুয়েন লানপাও HUEIYEN LANPAO

"ইখূৎনা থাজে ইনশাংদো, ইখূৎনা তন্না হেকচৈদো, নুংঙাইবনি ইনিংতম্বদো।"
*- হিজম অঙাংহল ('ঐগী' শৈরেংদগী)*

## শৈরেং

### পুনশিল্লু পুনশিনসি মৈতৈশিং

**—কোকিল মৈতৈ**

পুনশিল্লু পুনশিনসি মৈতৈশিং
অমত্তা ওইনা পুনশিল্লসি
ঐখোয় মশেল য়েংথীনবগী মতম নত্তে
ঐখোয় মশেল হুন্নবগী মতম নত্তে
'অপুনবগী থৌনা লিংজেল
উৎমিন্নরসি অমত্তা ওইনা লানফমসিদা।"
মৈতৈ ঐখোয়গীনি হায়বদা
কনা লৈশিল্লক্লবা মতমনি
কনা উরক্লবা মতমনিদো
'খুরক্কী ঈনা লাই শাফদে'
ঐখোয়বু নুংশিবীবা কনা লৈত্রবনি কাউগনু
মূৎখ্রগা হরাওনগদবা ঙাক্তনি নীংশিংঙু।
লান হৈতনা লানফমদা চঙলুনু
খূৎলায় য়াওদনা লানফমদা লেপ্পুনু
অরেম্বদা থৱায় থাহনগনু 'পাম্মুই'
অপং থৌনা কান্নদে
থৌনাদি মফম মতম চানা শীজিন্নসি
য়েক্লবনা খুদোংচাবা লৌহনগুমসি।
লানগীদমক শেম শারসি মৈতৈ পূন্বা
ইরৈপাক কন্দবা য়াদে ঐখোয়গী
ইজাতি কন্দবা য়াদে ঐখোয়গী
"নত্তে কিদুনা লৈবগী মতম"
য়েক্লবনা লাঙ্গোয় চনখ্রবনি
য়েক্লা মায়োক য়ারসি থৌনা ফনা।

খঙনা খঙনা খঙশিন্নদা
উনা উনা উশিন্নদা
নয়ুম শঙ্গোয় য়ৌরক্তে হায়দুনা
হাত্তোকপীরে লাঞ্জেন্নরে কয়া অমা
তেংবাঙ পোৎলম্না কয়াম কুইনা হিংবা ঙমগনি!
লৌবুক ফাওবা হুরানহৈবা মখোয়না
লৌ উশিনখ্রে হায়রি
হিংবগী করি কান্নরি ঐখোয়সে?
করি খল্লি হৌজিক ফাওবা হে লৈঙাকপশা?
মরৈবাক্কীদমক নোক্লা থৱায় কৎখিবা
মৈতৈ অথৌবশিংদো নীংশিংউ অমুক্তা
নখোয়বু অশেংবা মৈতৈ মচা নৎত্রবরা?
চমজরবী মৈতৈ নমা, নচে কয়ানা
খ্বাংচেৎ মচি লাংদুনা, অহিং মিৎশেল খাংদুনা
মখূৎতা মৈরা পায়দুনা সোরোক্তা য়ারেক্লিবশিংসে
নুংশিদ্রা য়েংউনে অমুক্তা।
অনম-অহা চুরনু মীৎকপথোক্লো মীৎকপথোক্লো
অরৈবা থৌনা লিংজেল পুথোকপীরো
মতম ওইরে! মতম ওইরে!
অপীকপা খুনগী খুঞ্জাশিং
মশানা মখুন ঙাকচদুনা
থম্মোয় তনিক তনিক হিংনরি।
মথৱায় ফাওবা থানরি।

### লান নঙ লেপ্পোবা

**—সোইবম রাধে লৈমা**

চহী মতম কয়ামা
কোরোনানসু ময়াম হাৎখ্রবা
হিংলি হায়বতা ঙাইহৌরবা
পোৎ চৈগী মমলসু
অতিয়া খেৎনা ৱাংখ্রবা
শিদনবা চারবা মতমসিদা
ৱারে পোত্থাবসু ফংদবা
নোংজু-নুংশাসু খঙদ্রবা
লান নঙ লেপ্পোবা।
তংদু লৈতানা হিংমিন্নসি
নুংশি চান্নবা লৈমিন্নসি
শেৎনা খাইনবগী খোঞ্জেল
মীশি মীনাগী মীরাওখোলনা
মালেমসে থুংনা নিলখ্রে
হাৎন-শুনা তৌদ্রসু
ঐখোয়-নখোয় হাৎনদ্রসু
নোংমদি শিরগদবা মপোকনি
লান নঙ লেপ্পোবা।

### মপু মানা করিবু তল্লিবা

**—বিমোলচান্দ**

ইতাউ কুকি লান্দাবা চৎলি
মতাউ মৈতৈনা লান ঙাক্লি
মপুই থৌশিলনা অসুম্না তল্লম্বনি
কনানবু লান খান্বা ঙমগনি
নরেন্দ্র-বিরেনমক্লা ঙমদ্রবসিদা।
মীফম্তা কুকিনা ওইদবঙাক ঙাঙলি
অপঙবা মৈতৈনা শেংদোকপদতা চোকথরি
চীংখোঙ-চীংয়া তম্পাক্লম মীপাই থবাইনরি
লৌফমশিং য়েংনা পিরাং শীন্থরি
করিবু তল্লিগবা মপু মানা।
অচুম্বসু অরানবসু ঙম্লমক অরোৎনখ্রে
চিনদা শোল্লম্বা 'সত্যমে জয়তে' কদায়
কলি যুগ লোইরমদাই ওইরমাল্লে
অথৌবা পূম্বসু মতিক মঙান নাইদরে
করিবু তল্লিগবা তাইবঙ মপুনা।
সিমদি লাওরম্মী নোংমদোল থক্তা
মীফম্তা কুকি তুম্লনি মতম য়ৌরে
ফত্তবশিংদি ফত্তবতা মশরুক ওইগনি
মৈতৈনা মঙাল নাইরনি লান্দবনা
অচুম-অরানগী লাঞ্জাওনি-নত্তে
য়োংনা তল য়েনবগী লাল্লোং।

### মণিপুর ইমা

**—নিংথৌজম বিমোলা লৈমা**

মীকপ মীরাওখোলতনা থল্লে
মণিপুর ইমাগী তম্পাকসে
ঈগী লৌখোং চেল্লে মৈতৈ ঐখোয়গী লমদমসে
খান্বী মৈখুনা থল্লে চীংখোঙ-চীংয়াসে
লাম্নৈ চাকপগা মান্নরে চীংখোঙসে
অমনা অমবু হাৎতোকপীরে
মীনুংশি খঙদনা বোম তোপ
নোংমৈতা নত্তনা থাংপাক্লা অমুকসু
মতৎ-মতৎ ককথৎলগা ফুম্বীরে
শাহিং চাবা শা মখল অমনা।
মৈতৈ ঐখোয়গী লমদমসু মতৌ তল্লে
অঙম-অথৌ কয়াসু মরোল থোকখিদরে
করম্বা কনাগী থৌশিলনো খঙদরে
তাইবঙ শেম্বা নহাক্তি খঙলমগনি।
নুমিৎ তারক্কনি খনবদা অৱাবা ওইরে
মৈতৈ ঐখোয়গী লমদমসে
টিয়র গ্যাসকী মখোল, নোংমৈগী মখোল
বোমগী মখোল তাবদা অহল ওইরবা-ওইরবী
কয়ানা ৱানা খাঙলিবা মচা-মশুশিংবু
থোকখিদনবা কন্না হোৎনৈ, অদুবু
মমা লৈবাক কন্দবা য়াদে হায়দুনা চেনখি
য়াওরুই লান অদুবু মায় পাকপদি ঙমখিদে
থৱায়না পোন্থা ওইখি নোক্লা-নোক্লা
ইমাগী পারি অথৌবা, পাঙ্গনবা নোংশা
নখোয় চীংয়া তময়াদগী থোরক্লো
নয়াম্বা-ননাওশিংগী মতেং পাংলরো
নমা লৈবাক মণিপুর কল্লরো।

### হে লুচিংবশা

**—ঙাংবম ইবেতোম্বী**

হে লুচিংপুরেল হে লৈঙাকপশা
লৈখিগদ্রা অসুম অসুম

### মূৎনাইদনা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

পীশিনখ্রে তৌগনি হায়গনি
য়েংশিনগনি পায়খৎপা য়াবা
থৌরাং খুদিংমক পায়খৎতুনা
হৌজিক কূপ্পা য়েংশিল্লি।
প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর
চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখরে
অনাবদি মাইবনা খূৎ থাগদৌবগী
ঙাইদুনা লৈরে শোমদনা
য়েংশিল্লি, পায়খৎপা হৌরে।
লুচিংবনা শোয়হল্লবা লমদম
মকোক চিংবীনবা লৈত্রবা
খঙনা খঙনা, উনা উনা
লমদম অসে ঙসিদি
হায় কম্মান্দগী য়াথং ঙাইদুনা লৈরে।
ঐগী ইমুংগী ছো লোনশিনবদবু
ইঙ্খোলগী শম্বল খাবদবু
কনাগী য়াথং ঙাইফম থোকপরা?
হন্দক্কী থৌদোক অসিদি
লমদম অসিগী পুৱারীদা
অমুবা মচুগী লৈমায় ওইদুনা
তুংগী মীরোলশিংদা লৈহৌরগনি।

### হে রুমাল

**—থৌনাওজম রামেশোর**

মীৎলুগী পিরাংশিংতনা চুরবা
নহাক্কী রুমাল অসে
লৈরি ঙসিসু লেঙদনা
শেংলবা লুবাকনুংশিদা।
কোক্তরি হৌজিকসু
নহাক্কী থম্মোয়গী পিরাংশিংগী মচু
মাঙখিদরি নহাক্কী
নুংশিরবা চেঙহিগী মনম।
তৈথোকখিবনি
নহাক্কী মীৎলুগী পিরাংশিং
ইখূৎমক্লা নুংশিনা
নহাক্কী রুমাল অসিনা।
নীংশিংহল্লে থৌদোক কয়া
নৌহৌননা অমুক
পিররে চৈনা
নীংঙমদ্রবা থম্মোয়সিদা।
শিন্থহল্লে পিরাং
লেপ্পা লৈতনা
মরাল লৈজদ্রা
চল্লবা থম্মোয়সে।

### নিংথি তুরেল ৱাংমদা!

**—খন্থবা মঙাং**

খোঙফম শেম্মু অথৌবা
খোঙফম শোয়ফদ্রবা তাঞ্জানি !
মীচং খোম্মু তেংবাঙবীনবা
শোয়দনা তেংবাঙলক্কনি নঙগীদমক !
মালেম্না কিনখিবা বৃটিশ
মায়োক্লখিবনি ইপা ইপুশিংনা !
ঐখোয়সু মখোয়গী ঈনি
চঙশিল্লসি ঐখোয়সু লানফমদা !
মীকপ থোক্লো অথৌবশিং
উৎলসি ঐখোয়গী থৌনা !
তানখ্রসি হন্দক্তি শোয়দনা
নীংথি তুরেল ৱাংমদা !

### কনানা হেল্লি পাঙ্গনবা

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

কোরৌ মানা ৱাংবরা
পন্থৌ ইপানা মৱাংই
মালেম লৈমনা লূম্বরা
পলেম ইমানা মরুম্মী
চীংখৈ চীংনা ঙম্বরা
কৌব্রু চীংনা মঙম্মী
খামেনলোক্কী ঈখেংনা নুংওনব্রা
রেলগাড়ী গুরুং চৎপনা মনুংওল্লি
নার্কো টেররিজমগী চৈথেংনা কনবরা
নোংলৈ বিপারজয়গী শাফুনা মকল্লি
মৈত্রবাক্কী মীকপ মীরাওখোলনা
নাকোং শীংজা য়ৈবরা
যমুনাগী ঈচেল পাবনা
তূম্ফম চাফম খঙদবরা
অৱাং নোংপোক্কী খোংচৎনা লুবরা
মীরৈবাক্কী খোঙচৎনা মরুইদা
ভাইরেল চৎত্রিবা মমিনা চুম্বরা
ভাইরেল চৎখ্রবা মমিনা মচুম্মী।

**মতম মতমগী ৱাখল**

## ওন্থোকপনিদা !



কুইদ্রি, থবক্তগী পোত্থরবা ইয়াম্বা লেফ্টেনেন্ট কর্নেল শরতনা থাজদনা লেঙবিরক্লগা মমল য়াম্লবা ৱা অমা হায়বীরম্মী । ৱাদু হায়বীরবা নত্তে তাকপীরম্বনি হায়না লৌজরি । মহাক্না হায়,' অথুবা থবক্তি তপ্না তৌগদবনি। অরুব থবকসু খল্লগ তৌগদবনি।' মহৌশানা ঐসে খর ফিংগল্লি । ফিংবসি ঐঙোন্দদি নুংঙাইরিনি । মসি ঐগী হৈনবীনি। ইশাগী অশোয়বা ইশানা খঙজদে হায়দুনি। মীনা তাকপীরগা খঙবগী ৱানি। তাকপীনবা, হায়বীনবা লৈবসি অফবনি। তাকপীনবা, হায়বীনবা লৈতবদগী মথোং হুক্তবা কয়া তৌরকপসু য়াওরবনি। মীসিসু মখল য়াম্মী, মীনা হায়বা লৌদবা, মশানা খল্লিবদুনা চুম্মী হায়না লৌজবা মী য়াম্না লৈরি। মহাক্না খল্লিবদু মহাক্কী ওইনা চুম্মী অদুগা মীয়ামগী ওইনদি লাল্লি ।

হৌখিবা মেগী তাং ৩,২০২৩ খঙহৌদনা ঈংনা চীক্লা লৈরম্বা ইরমদম,মণিপুরদা হাৎন শুনবা, য়ুম মৈ থাবগী পাউ খংতা তারকখি। ৱারীসে হঞ্জিল্লরোই লোয়নমক্লা খঙনরে । ইশা ইথন্তা নুমিৎ খুদিংগী ৱাহং ময়াম অমা হংজদুনতা লৈরি। ঙসি ফাওবা পাউখুম ফংদ্রি । ঐদা নত্তে লমদমসিগী মীপুম খুদিং ৱাহং অমমম লোইনরগা হৌজিক চৎলি । মীপূম খুদিংমক্লা মাগী মাগী ৱাহংগী পাউখুম ঙাইনরি । পরিক্ষাদা মকোক মথং তাখ্রবশিং মমা মপা য়াওনা মীদিয়াদা থোক্লগা ৱা ঙাঙবা চৎনরক্লি । মচাগী মপান চাবা হৌরে হায়বা য়াই। মীদিয়াগী থোংদা, নৌরিঙৈদা লাকপা পাউ তানীংলম্মী,নুংতিগী অসুম তারক্লগদি নুংঙাইবা পাউসু নুংঙাইরক্তো মীদিয়াদা, হোরেলগী খন্ন-নৈনবদা করি ? হয়েংগী পাউদা করি য়াওরক্কদগে ? কদাই মফমদা নোংমৈ কাপ্লবা ? মী কয়া শিনরবা ? কারফিয়ু লৈরিব্রা? অসিগুম্বা ৱাহং ময়াম অসিনা নোংমা হায়বসি কোন্নহল্লি । মীপূম খুদিং ৱারী শাবদা রিলিফ কেম্পতা চানবা থিনবগী, মতেঙ পাংবগী ৱারী ঙাক্তনি। লাঞ্জেন্নরকপা ময়াম্না রিলিফ কেম্পতা লৈরি, চীংখোংশিংদনা নোংমৈ কাপ্লে। ইম্ফাল কৈথেল, লম্বী লমজাও মীনা পীক থল্লি, ট্রাফিক গাড়ি চিল্লি । ইম্ফালগী হোটেলশিংদা অথুম-অহাউ অদুম য়োল্লি, রেষ্টুরা অয়াম্বা পাখং লৈশাবী অদুম ফম্বা উরি । ইম্ফালগী মরুওইবা লাইশঙ খরদা নুংতিগী কৎফম থোকপা উসোব ৱাসোপ অদুম কৎনৈ, ফিঙৌ শেৎপা ময়াম মশা নান্না প্রসাদি ফংনরি । ময়ামশিং অসি উরগা মণিপুর মৈ হৌরি মৈ চাক্লি হায়বসি কদায়দনো খঙদবগুম অদুম উরি । নোংমৈ কাপ্নবদা লৈখিদবা, য়ুম কৈ মৈ থাদোকপীখ্রবা মচা মশু কাইনখ্রবা কয়াগী মফমদদি পূম্নমক অসি করিনো ? অৱাবা খরনা অদুম ৱাবা, নোংমৈ কাপ্নবা খরনা অদুম কাপ্নবা হায়বদুরা ? হায়জরিবা অসিসু খংনরবা ঙাক্তনি ।

হৌজিক লমদম অসিদা থোক্লিবা অসি লাল হায়বদুরা ? লাল ওইরগনা করম্বা লাল ? কনাগা কনাগা শোক্লবা? ৱাহৌনা করি ? সিসু অমুক তোকখিসি লোইন ইখঙ খঙনবা ৱানি। হৌজিক্তি অনাবসি লুশিল্লক্লি। হান্নগী লায়েং পথাপ অদুদা য়েংবা য়াররোই । মাগী মাগী কাঙলুপ খায়দোক্লগা মাগী মাগী অপাম্বদা লৈপাক নীংবা চুম্লরোই । মশক নাইবা, মচিন চৎপা লুচিংবা খনবসু ঙম্লরোই । থবক অমা পাংথোকত্রিঙৈ ৱা তান্নবা,পোরম য়াৎপা,অমনা ঙাঙবা অমনা তাবা, অমত্তা ওইবা লীচিং, মান্নবা ৱাখলনা মাঙদা থারগা কৎথোকপা ঙম্বা অদুনা মায় পাক্কনি খল্লি । ঐখোয় খক্তগী পাউ ওইনা থা অনী হেন্না ওইরম্বদু ঙসিদি ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্ট য়ৌরক্লে । ঐখোয়গী ওইবা অখঙবা মী, লো-আইনদা করিদা, লাইরিক লাইসুদা হৈবা, মী য়াম্না লৈরি খল্লি । হন্দক্কী থৌদোক অসিদদি মীনা হেক্তা হেনখিগুম তৌই। মীগীনা য়াংলেন পায়রকই । অতোংবদা লেপ্পী, অৱাংবদগী কাপথরকই । খুৎলাইসু ৱাৎতে মরুসু লোইদে ।

মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি খল্লুরগা নুংঙাইতে । চুরাচান্দপুর, মোরে, কাংপোকপীদা ঐখোয় তম্পাক্কী মীওইশিং লৈরুবদি লাইরদনা খোঙদাফম হায়বদু ফাওবা ফংলোইদবগী ফিভমদা লাক্লি। মণিপুরগী মেপকী মশক অসি নৌনা য়েক্কদৌরব্রা ? লানমৈনা কোইশিনখ্রবা য়ারৌ শাগী পূন্সি ঐখোয় ওইবগুম তৌই। মিজোরামনা ফোংনা মণিপুরী মৈতৈশিং মতম পীদুনা চৎখিনবা চে থোকখ্রে। ফিভম অসি য়ৌরকখ্রবা ফাওবা ঐখোয়না খূ নীক্লগা লৈবগুম তৌরি । হৌজিক ফাগী য়াদে। নোক্লিংবা ফাওদ্রে । মং চাইথোক্লগা লৈহল্লে । মংফম য়াম্বা ফত্তে খল্লি । মং থোঙ থিংবা হৈবা অহল হৌগৎপা মতম ওইরে ।

ইশাগী অশোয়বা হায়দোকনিংদে । মীনা ঙাঙবসু তানীংদে, মাঙ থানসু চোংথোকনীংদ্রগদি করম্বা পান্বৈনা ইশাগী ইরল ঙাক্কনি। খল্লুদবা, থাজরুদবা অমদি খঙহৌদবা ঙাক্তা মীনা তৌরক্লি । ঐখোয় মৈতৈ হৌজিক শিংদ্রগদি, হা উরোক মাংসু লাং তুংসু তেন হায়বগী ফিভমদা তারক্লি ।। অৱাৎপনা পীক থল্লি, চানবা লৈতে তখেন থাং হায়দুনা তখেন থাং,থাংপাক পায়রগা ইরৈবাক কন্নবা ঙাকপদা তারক্লি ।। ৱা ঙাঙবা হৈসি । তুংগী খল্লগা খোংথাং খুদিংমক থাংদ্রগদি অরেং অরেং পুথরক্লবগী মরম ওইরকপা য়াই । ঐখোয়গী মীচঙ লৈতবা কুইরবনি, অরেম্বদা লোইথোকপা হেনমল্লে । খুৎচাউ থারুরগা ঐগী চেঙ লৈরকত্রবদা কনানসু মতেং পাংবীনবা লৈরোই । চারা হেল্লগা শিব তাবনি। শিবদি য়াদ্রি ।

মণিপুরদা থোক্লিবা থৌদোক্কী মাইওন অসি হৌজিক্তি হোংহনখ্রে । মরম ময়াম অমা লৈরমগনি। মপান লৈবাক্কী মীরমগী মীয়াম্না ঐখোয়গী মরমদা করম্না ৱারী শারমগদগে, করি হায়নরমগদগে ? ৱারী মকোক খঙদনা ঙাঙলিবা মীদা ঐখোয়গী ৱারী লীবীনবা মী ৱাৎপ্রা ? মীদিয়া ফংঙি মীগীনা হাল্লি পাউ ফংবা, ঐখোয়না মঙম শান্দ্রিবসি করি ৱাৎপগীনো হায়বসি নৈনবা চুম্মী । হৌজিক্তি,মীদিয়া মপাঙ্গল কন্দবা য়াদে। মীদিয়ানা য়ুম্বী অমা ওইনা পুনরিবা মতম্মি । হন্দক থোক্লিবা থৌদোক অসি মীদিয়াদা তোংলগা অশানবা মীৎয়েংদা শান্নরকখিবনি। ঐখোয়সু মীদিয়াদা থাজবা থমসি, মরম চাদনা, মফম চাদনা অরানবা মওংদা মীদিয়াবু খুৎলাই ওইনদি শীজিন্নরোইসি ।। 'অথুবা থবক্তি তপ্না তৌগদবনি। অরুবা থবকসু খল্লগা তৌগদবনি' হায়বা ৱাফমসি ঐখোয় নীংশিংমিন্নসি ।

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

**ৱারী ককনাউ**

## অসুম্না কাইনখি

নুমিৎতু ঐ ফজনা কপখি। নুপানা কপ্পসি ঐ কয়া য়েংনীংদে। কপচেৎকল্লি গাইনা মীঙোন্দা ঐনা হায়খি। অদুনা ঐ কয়া কপ্পক্তে। অঙাং ওইরিঙৈদা ইমানা অচাপোৎ য়েনবদা ঐগী শরুক্তু য়ামদে হায়না নীংঙাই তৌদুনা কপশিন্নবদি লৈখি। অদুনা অঙাং ওইরিঙৈগী ৱানি। চাওরক্লবা মতুংদদি ঐ অমুক্তফাও কপ্পক্ত্রি। অদুবু বিনা কায়নবৈ হাক্তক্তুমদি ঐ ফজনা কপখি। ঐ নীংশিংলি, মতমদু ঐ পাঙ্গৈদা পুলিস ত্রেনিং কন্না তৌরি। ত্রেনিং লোইশিল্লক্লবা মতমদুদা নোংমা ঐখোয়গী ওফিসরদুনা ঐখোয় কৌথোক্লগা, হিয়াংথাংদা বর লাই খুরুম্বগী মী য়াম তিনবদু ঙাক্লবা দ্যুটি থাখি। অদুমাইনা ত্রেনিং তৌরিঙৈদা দ্যুটিদা থাবদু ইশাদা য়াম্না ফ্রী ওইজখি। নুংঙাইজখি। পুলিস অনৌবা ওইরকপগী মীয়াম মমাঙদা য়ুনিফোর্মগা শেৎচিল্লগা শো তৌনীংবগী অপাম্বসু কন্না লৈখৎলকপা মতমদুনি।

ঐ হিয়াংথাংদা দ্যুটি তৌরি। ইস! মীসু কয়াদি য়াম্মে। য়াম্মীবা ময়ামদু অয়াম্বনা লৈশাবীনা নম্মী। মৌসু য়াওবদি য়াওই। অদুবু লৈশাবীনা খরা খিৎ হেল্লি। ঐখোয় ইমান্নবা খরগা হিয়াংথাং লাই খুরুম্বগী চীং কাবা হৌগৎলকপা মফমদুদা পৌ কন্না নম্মী। লৈশাবীশিংদুনা পৌ নম্বগীদুদা গোরোং গোরোং চেনশিন্নবদু য়েংবা ফনা নুংঙাই। চেনশিনবদা নংহৌদ্রবী লৈশাবী অমদি ময়াম মরক্তুদা তুশিন্দুনা মখোঙদু ঈ থোক্লে। নাকল অমদা ফমথরগা শুগৎতুনা অনাবা খাংলি। মদু ঐনা থোক হেক উরুরে। মানা নাদুনা শুগৎপদু কয়াদি পকচখ্রে, কয়াদি ফজরে। ঐসু পাখং ৱাই ৱাই ফাগৎলকপনিনা, চংশিল্লগা হৌগৎলুরে, মখোঙদু ঈ খরা থোক্লে। ঐনা মাবু মতাই অমদা পুশিল্লগা অশোকপদু অফবা ঈশিংনা শেংনা চামথোকপীরে। অদুগা চেন্দুনা হিয়াংথাং বজারদা ফম্বা ফার্মাসি অমদগী বেন্দেজনে, এন্টিসেপটিক সোল্যুসননে, কোট্টন মচা অমনে লৈরুরগা চেল্লক্লগা মাগী অশোকপদু ফর্ষ্ট এইদ পীরে, হীদাক্কদু হাপ্পীদুনা রুমান অমনা পুনশিনবীরে। লাইনা ইনশিল্লিরা খঙদে, ফর্ষ্ট এইদ পীনা পীনা মমীংগা হংই। মদুদা মানা খুন্নকখিবনি।

"বিনা"। লোইরে, মাবু ঐনা তপ্না পুশিনবীরে অদুগা ময়াম পৌ নম্নরিবদু য়াওহন্দনা মনুংদা চংমিন্নরে। লাইগা খুরুমহল্লে অদুগা থোরক্লে। মাগা লাকমিন্নবশিংদুদি লাই খুরুমদ্রি। ঐখোয় অনীদি হোটেল অমদা থোরক্লগা অচাপোৎকা চারে। ফোন নম্বর লৌনরে। বিনাসু ইথিল অমদি ফাওবগুম তৌবজাৎনি। বিনাদু হনখ্রে, হল্লমদাইদু ঐবু য়াম য়েংখি। ঐনসু হেক উরিখৈ য়েংখি। ঐসু পাঙ্গৈ ত্রেনিং মফমদা হল্লে। মায়-মীৎকা তারগা লৌহৌবা ফোন নম্বরদুদা য়েংলগা তৌসিরা হায়না খল্লি। তৌশিল্লে, ফনা কুইনা পায়রক্তে, পায়রক্লে।

"হেল্লো"
"হেল্লো" কয়াদি মেঙনা খুন্নকখ্রে।
"নাবা খরা ফরবো?"
"উম! খরা ফরে"
"ফোন তৌরকপসি শাওনীংব্রা?"
"শাওনীংদেদা, কৈদৌ শাওনীংদুইনো? ঐগী মতেং পাংবীবগী য়াম্না নুংঙাই"
"অসুম্না থেংনৌ হায়দুনা লাইনা ইনশিল্লকপজাৎনি। ঐ ত্রেনিং ফাও লোইদ্রিবনি, ঐখোয় ওফিসরনা দ্যুটি থাজিল্লকপদগী লাকপনি, অদুগদি বিনাগা কোক হেক থেংনবৈ ৱানি"
"ত্রেনিং লোইদৌ কয়াম ৱাৎলিগে?"
"মথং থাদা লোইরনি, অদুগা কসম চারনি"
"কৈনো কসম হায়দি?"
"পুলিস ওইবগী ৱাশক অমনিদা"
"ৱাশক্লব্রো হায়সে"
"ৱাশকনৈ, থবক তৌবদা পুলিসকী ইথিক্স ঙাক্কনি হায়বনচিংবা ময়াম অমা"
"শক তাকখৎলোই, মীঙোন্দা অরানবা তৌরোই, খোন কন্না কন্না ঙাঙলোই হায়নদি ৱাশকপ্রা?"
"খঙদেহে অদুদি শক্তিবনিনা অদু য়াওব্রা য়াওদব্রাদি খঙদে। অদো..."
"কৈ হায়গে?"
"নোংমা সুম কোইরুসিরা?"
"কাইদা?"
"অদুদি খঙদে, কাইদনোমা হেক্তা য়াইদা"
"উম... অমুক্তা খল্লকখিগে"
"থবক তৌবদা য়াম চেকশিনবজাৎনিদনা"
"হোয় চেকশিল্লি"
"ঐবু কিবগী ৱারা?"
"অদুগীদি নত্তেদা, অদুদা খঙনবদা ঙাইরিঙৈদা কোইবা হেক চৎমিন্নবদুগী ৱানি"
"খঙনবা কুইদ্রদি কোইমিন্নবা য়াদব্রা?"
"য়াদে হায়বদি লৈতেদা"
"অদুদি য়ারে কৈনো, মথংগী হাপ্তাগী ৱেদনসদেগী পুং ১১দা ঐ নোইগী কোলেজ দা লাক্কনি। শোয়বা য়াদেকো" ঐনা কিৎ লাওনা নমশিনবদু মা পাক খুমদে। অমুকসু ঐনা শোয়বা য়াদেকো হায়না হায়জিনবদা,

"উমমম... হোয়" হায়না খুন্নকখি। অসুম্না কোইবা চৎমিন্নৈ, খজিক খজিক্তগী চপ চানা নুংশিনরে। খরা লৈরগা মহাক অন্ধ্র প্রদেশতা নর্স তম্বা চৎখ্রে। অদুদগী ঐগা পাউ শুংফাও ফাওনখিদ্রে। ঐ য়াম্না নুংঙাইখিদে। অসুম্না মবুকচেল ওনখিনি হায়বা ঐ খল্লুদে। মাগী নম্বর অমা শিনখিবা মাল্লি। খরা লৈরগা ইখঙ খঙহৌদনা ফোন অমা লাকখি। নুমিৎতুমদি ঐ দ্যুটি চৎলুবগী ৱাদুনা তূমথবদা ঙাইরিবা মতমনি। ফোনদু ঐনা সেভ তৌবা নম্বর নত্তবনিনা কনানো হায়বা খঙখিদে। অদুনা ঐ পায়খিদে। অমুকসু তৌরকপদগী পায়খৎলুই।

"হেল্লো, কনা ওইবীরবনো?"
"ঐনে বিনানে" মাগী খোঞ্জেলদু তাবদা ঐ হিপ্পলম্বদগী ফুক লাওনা হৌগৎলি। ইশাসি হরাওবনা লুতোন শাৎখি। মখা তানা থুনা হংজিনখি।
"করিগীনো নহানখৈ ফোনগা অমত্তা তৌরক্ত্রিদি?"
"ঐ থবক খরা চিনবগীনি"
"করম তৌরি?"
"নুংঙাইরি, অদু ঐ ৱা অমত্তা হায়গে"
"হায়য়ুনা"
"হায়দ্রসু য়ারবনি, অদুবু তূমিন্না লৈশিনখিবদু নুংঙাইতদনা হায়রকপনি, ঐবু ৱারৌবীগনু, ঐ মী অমগা খঙনরে। মহাক অন্ধ্রদা মেদিকেল তম্বনি। সিদং হায়গে তৌবনি"

ঐ মখা তারকপদা করম তৌখিবনো, করি হায়না খুমখিবনো খঙদ্রে। ফোনদু পায়রগা অদুম য়ুংদুনা ফমদুনা লৈরম্মে। খঙহৌদনা পিগী মরীক অমা ঐগী খুনমদা তারকপদগী ঐ লৌশিং লাকখিবনি। খূৎনা নাল্লুবদা মখোলদি থোক্তনা পি লেপ্তুনা তাদুনা লৈরম্মী। নুমিৎতুদা ঐনা পেন্না কপখিবদু ঙসিসু নীংশিংলি। হাংদোক্লম্বা দাইরিদু তপ্না খুমজিল্লগা ঐগী নুপীনা থনম্বা চাদু পায়খৎলুবদা ঈংদুনা লৈরম্মে। দাইরিদু হান্নগী মফমদা অমুক থমজিল্লগা ঐ অদুম হিপথরে।

**-নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।